# শাথিবা উনগী নোংলৈনা য়ু এসতা মী অমা হাৎখ্রে

*ৱাশিংটন, জনুৱারী ২২ঃ* য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা য়ৈশিল্লকপা শাথিবা উনগী নোংলৈনা য়ু এসকী মফম অয়াম্বা ফুট অমা হেন্না থাবা উননা কুপশিনখিবগা লোয়ননা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

উনগী নোংলৈ অদুনা কেটকি অমদি মশাচুসেটস অদুগা ফিলাদেলফিয়া অমদি বোষ্টর্ন য়াওনা কিলোমিটর লিশিং অমরোম শাংবা মফমশিংদা হুমখি।

ফিলাদেনফিয়াদি সেন্টিমিটর ৩০ রোমগী চাংদা উননা কুপখ্রে। অদুগা নিউয়োর্ক অমদি নিউ জর্সিদসু মথংশিংনা সেন্টিমিটর ২৫ অমদি ৩৯.৪ থাবা উননা কুপখ্রে হায়না ইন্টর্নেস্নেল নিউজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।

শাথিখ্রবা নিংথমথাগী নোংলৈ অসিনা হৌজিক ফাওবদা মেরিলেন্দদা মীওই অমা শিহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়ামরুমসু শিহনবা য়াবগী অকিবা পোক্লরে হায়রি।

চাউরাক্লা চয়োল অনিরোমগী মমাংদা য়ু এস পু ফমজিলহনখিবা পোলার ভোর্টেক্স অদুগা মান্নদবা মওংদা হন্দক্কী উনগী নোংলৈ অসিদি সমুদ্র মপালদগী হৌরক্লগা নোংপোকথংবা মায়কৈদা হুমখিবনি হায়নসু পাউ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মসিনা মরম ওইদুনা ফ্লাইট লিশিং ৩ লোমসু পাইখিদ্রে। স্কুলশিং অমদি গভর্নমেন্ট ওফিসশিং ঙম্নমক লোনশিন্নখ্রে। শাথিনা ইংবগী ফিভম অসি অৱাং নোংপোক য়ু এসতা মতম খরদি লৈখিগনি খন্নরি। লমদমশিং অসিদা লৈবা মীওইশিংনা মশা মশাবু নোংলৈ অদুদগী ঙাকথোকচনবা ৱানা হোৎনখি। লৈবাকপোকপগী নুমিৎ লোইদ্রিঙৈদা পেন্সিলভানিয়া অমদি নিউ জর্সিদা ইঞ্চি ১৫ হেন্না তাবা উননা কুপশিনখি হায়নসু নেস্নেল ৱেদর সার্ভিসকী ষ্টিফেন কোরফিদিনা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং নোংপোক্লোমদা লৈবা নিউ য়োর্ক য়াওনা ষ্টেট অয়াম্বদা ইমর্জেন্সি লাউথোক্তুনা য়াংনা শিৎলিবা নোংলৈ–নুংশিৎ মরক্তা মীয়াম চথোক–চৎশিন তৌদনবা অকনবা ৱার্নিংসু লাউথোকখি।

কোরফিদিনা হায়বদা ওইরক্লিবা সিষ্টেম অসিনা ইংবগী ফিভম অসি মতম খরদি লৈখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱেষ্টর্ন পেন্সিলভানিয়াদা টেম্পরেচরগী চাং দিগ্রি সেলসিয়স –১৮ য়ৌখ্রে। অদুগা অৱাং নোংপোক্কী মফম অয়াম্বদা টেম্পরেচর অসি দিগ্রি সেলসিয়স –৭ দগী হেন্না ৱাংবা অমত্তা লৈত্রে হায়না কোরফিদিনা ফোঙদোকখি।

শাথিবা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম অসিগীদমক য়েংদুনা ফিলাদেলফিয়ানা স্কুলশিং অমদি সিটি ওফিসশিং লোইনমক থিংজিনখ্রে। নিউয়োর্ক সিটিগী অৱাং থংবা সব–অরবান এরিয়াশিংদা সার্ভিস তৌবা রেল সার্ভিসনা ঈশিং নুংশিৎকী মতুংইন্না সার্ভিস থেংথবা য়াবগী ৱার্নিং পীখি। অদুমকপু উন চাং ৱাংনা তাদুনসু ঙরাং লৈবাকপোকপদা ৱাশিংটনগী ফেদরেল ৱার্কর লিশিং কয়াবুসু ময়ুমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী হ্বাইট হাউসকী প্রেস ব্রিফিং য়ৈথোকখি। অদুবু সুপ্রিম কোর্টতি কেসশিং হিয়ারিং চথনবা হাংখি। চহিগী ওইনা চৎপা এন্টি এবোর্সন খোঙচৎসু ঙসিদি ঈশিং নুংশিৎ ফিভম ফন–ফত্রবসু চৎকনি হায়না লাউথোকখি।

ফেদরেল গভর্নমেন্টতি ঙসিগী ওইনা হাংনবা ফিরেপ লৌখ্রবসু ইমপ্লোয়িশিংদি য়ুমদগী মথৌ পাঙথোক্লকপা নত্রগা অন–সেদ্যুল লিব লৌনবনা অয়াম্বা ওইখি।

রোকভিল, মেরিলেন্দদি ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা উন লৌথোকপগী থবক তৌবা মীওইশিং নত্তনা পুমহাং হাংখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# থাইলেন্দদা গভর্নমেন্ট শৌগৎপা লিদর কাপ্লম্বদগী শোক্লে

*বেঙ্কোক, জনুৱারী ২২ঃ* থাইলেন্দগী অৱাং–নোংপোক থংবা মফম অমদা ঙসি গভর্নমেন্টপু শৌগৎপা শক্লাইরবা লিদর অমা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্লে।



থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা হান্নদগী নাকপাক তান্নবগী ফিভমদা লৈরবা লৈবাক অসিদা উংখৎনবগী ফিভম অমুক্কা হেনগৎহনখিবা মরক্তা লৈবাক অসিদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সিসু চৎনবা হৌখ্রে।

রেদ সার্ট ঈহৌগী লুচিংবা ক্লানচাই প্রাইপানাবু মশক খঙদবা মীওইশিংনা ময়ুম ময়াদা কাপ্লম্বদগী লেংজুম অমদি খুকউদা শোকখ্রে। থৌদোক অসি য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী অকনবা মফম অমা ওইরিবা অৱাং নোংপোক থংবা উদোন থানি টাউনদা থোকখিবনি হায়রি।

এটেক অদু পোলিটিকেলগী ওইবা এটেক ওইরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিংনা বেঙ্কোক্কী মফম খরা ব্লোক তৌদুনা ঈহৌ চংশিল্লিঙৈদা এটেক অসি থোকখিবনি। ঙসি অয়ুক্তগী চৎনবা হৌখিবা ইমর্জেন্সি ওর্দরবু থৌশাদনা মখোয়না ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখিবনি।

অমরোমদা ইমর্জেন্সিগী পথাপনা গর্ভনমেন্টপু মীয়াম লাকশিনবা অমদি মেদিয়াবু সেন্সর তৌবদা অহেনবা শক্তি পীরিবনি। চত্থরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক বেঙ্কোক্কী মিদল ক্লাস অমদি রোয়েলিষ্ট ইস্লামিষ্টমেন্টশিংগা য়িংলুকপু শৌগৎপা রুরেল এরিয়াশিংগী লাইরবা মীয়ামগা নাকপাক তান্নবগী ফিভম অমসু লৈবাক অসিদা ওইহল্লে।

লাক্লিবা ফেব্রুৱারীগী অনিদা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীখল অসিগী য়েংদুনা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রানসু ওপোজিসন ৱাকৎলোইশিংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা ৱারী শান্নসি হায়বদা ওপোজিসননা য়াখিদ্রবনি। মসিগী মতুংদা নুমিৎ হুম্ফুনিগী ওইবা ইমর্জেন্সি লাউথোরকপদগী মহৌশাগী ঙাকশেল থৌরাংগী মথক্তা ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা হেন্না কনবা আইনশিং চৎনরবনি।

অদুবু ইরাং অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা থৌইনশিন চংবগী চার্জ মায়োক্লরবা ৱাকৎলোই লুচিংবা সুথেপ থাউংসুবান্নদি ৱাকৎ ঈহৌ হেন্না কন্না চংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাকৎ ঈহৌ অসিবু শৌগৎলিবা ওপোজিসন দেমোক্রেট পার্টিনা হায়খিবদা ফেব্রুৱারী ২ দা পাঙথোক্কনি হায়রিবা মীখল অসি বোয়কোট তৌরে হায়বগা লোয়ননা মীখল অসি পাঙথোকহল্লোই হায়না লেপ্পিবনি।

মমাং চহিগী নভেম্বরগী অঙনবা শরুক্তগী হৌরকখিবা ৱাকৎ ঈহৌ অসিনা মরম ওইদুনা থোকপা ভাইওলেন্স থৌদোকশিংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯ শিরগা চা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রবনি।

হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা উংখৎনবা অসি ইং ২০১০ গী মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা ফিভম অমা ওইরি।

চৈরক অসিদা গভর্নমেন্টপু য়াদবা পিপলস দেমোক্রেটিক রিফোর্ম কম্মিটি (বি দি আর সি) গী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা ইমর্জেন্সি লৈঙাক লৈদুনসু মখোয়গী ৱাকৎ ঈহৌদি মখা তানা চত্থখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পি দি আর সি লিদর একানাথ প্রোম্ফাননা হায়বদা, ইমর্জেন্সি অসিনা মীয়াম্বু ৱাকৎ ঈহৌরোমদা অহোইনদুম ইনশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# কিয়েবতা মীওই অনি নোংমৈনা পান্দুনা শিরে



*কিয়েব, জনুৱারী ২২ঃ* য়ুক্রেনগী কোনুং অসিদা ঙসি ৱাকৎলোইশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা মীওই অনি শিরে হায়না মফম অদুদগী মেদিকশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

মীওই অনি শিখিবা অসিনা থা অনিরোম শুরক্লবা য়ুক্রেনগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসিগী ফিভম অমুক্কা হেন্না ফৎচিল্লক্তবা য়ানা লৈরি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মেদিকশিংনা ৱাকৎলোইশিংগী বেরিকেটশিংগী মনাক্তা মীওই অনি শিরে হায়না দিক্লার তৌখি। মফম অসিদা পুলিস অমদি ৱাকৎলোইশিংগী মরক্তা হৌখিবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা অকনবা মওংদা খুৎ থানরকখিবনি।

মমাংদা পুলিসনা মীওই অমদি শিরে হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুবু শিরিবা মীশক অদু অতোপ্পা ভিক্টিম অমরা হায়বদি কনফার্ম তৌবা ঙমখিদবনি।

ওলে বোন্দার হায়বা মেদিক অমনা হায়খিবদা, মীওই অনি নোংমৈনা পানবদগী শিরে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু পাল্লিবা মরু অদু রব্বরগী মরুরা নত্রগা অশেংবা মরুরা হায়বদুদি মরিক চুম্না ফোঙদোরকখিদে।

পনবা য়াবদি কিয়েবকী দিষ্ট্রিক্ট অমদা ৱাকৎলোইশিংনা খিনবা বেরিকেটশিং পুলিসনা ঙসি অয়ুক্তগী শিদোকপা হৌরকখিবনি। অদুমকপু ৱাকৎলোইশিংনা বেরিকেটশিং অদু হান্না খিল্লম্বা মফমশিংদা অমুক পুশিল্লক্লবা হোৎনখিবনি।

য়ুক্রেনগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসি মমাং চয়োলদগী প্রসিদেন্টনা ৱাকৎপা য়াহন্দবগী হেন্না কনবা আইন নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনরকপদগী তোপ তোপ্পা শক্লোন অমা লৌরকখিবনি।

ৱাকৎ খোঙজং চংশিনবদা অথিংবা থম্বগী আইন অসিনা কোইশিন্দুনা থমখ্রবা মফম অমদা লম্বী–লমজাওশিংদা পুলিসকা ৱাকৎলোইশিংগা নৌনা খুৎ থোক্লরকপগী ফিভম হেনগৎহল্লকখিবনি।

ৱাকৎলোইশিংনা রাইওৎ পুলিসকী মায়কৈদা নুংদুম–চেকতুমশিং লংশিল্লকখি। মরক–মরক্তা ফয়ার বোমশিংসু লংশিল্লকখিবদা পুলিসনা মশা ঙাকথোকচনবা টিয়ার গ্যাস সেলশিং অমদি রব্বর বুলেটশিং কাপখি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

খুৎ থোক্লরকপা অসিনা ইরাং অসি হেক হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা ৱাকৎলোই চা কয়ামরুম শোকহনখ্রে। পুলিস পার্সোনেলশিংসু শোকপা য়াওখি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা শিবদি অমত্তা য়াওরকখিদবনি। ঙসি মীওই অনি পুলিসকা খুৎ থোক্লবদা শিখিবা অসিনা মখা তানা ৱাকৎ ঈহৌ চত্থবা অমদি খুৎ থোক্লবদা মীয়াম হেন্না য়াওশিল্লক্লবা মরম অমসু ওইরগনি হায়নসু সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

# খা সুদানদা লালহৌবশিংনা শান্তিগী ৱারী য়াদবগীদমক গভর্নমেন্টপু মরাল শীখ্রে

*য়ুবা, জনুৱারী ২২ঃ* খা সুদানদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লাল হৌরিবশিংনা গভর্নমেন্টপু মরাল শীরদুনা হায়খিবদা লালহৌবনা পায়শিল্লম্বা মফমশিং অমুক হন্দোকপদগী খোঙফম ফবা হেল্লবা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা শান্তিগী ৱারী থিম্বহন্দুনা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লালহৌবগী মায়কৈদগী মাবিওরদা গরংনা হায়খিবদা ইথিওপিয়াদা শান্নগনি হায়রিবা ৱারী অদু গভর্নমেন্টনা তারিখ য়ৈথোক্তুনা লৈরে। মরমদি হৌজিক মখোয়না মপাঙ্গল হেল্লবনিনা শান্তিগী ৱারী শান্নবগী তশেংনা মথৌ তাবা লৈত্রে হায়না খল্লবনি হায়খি।

য়ু এন অমদি য়ু এস ওফিসিয়েলশিংনদি মায়কৈ অনিগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পবগী য়ান্নবা অমা অথুবা মতমদা পুরক্লবা তকশিনখিবনি। অদুবু মায়কৈ অসোমদা অফবা অহোংবা অমত্তা হৌখিবা চয়োল অনিগী মনুংদা লৈত্রি।

চৈরক অসিদা লৈবাক্তুদা খুৎ থোক্লবগী ফিভমদি হনবা লৈতনা চত্থরি। মীওই লিশিং কয়া শিখ্রে। অদুগা মীওই মিল্লিয়ন তঙ্খাই অমরোমদি ময়ুম–মকৈ থাদোক্তুনা লৈফম–চাফম খঙদনা লৈরে।

নিংশিংবা য়াবদি খা–সুদানগী প্রসিদেন্ট সালভা কিয়ারবু য়াবা লান্মীশিংগা প্রসিদেন্ট অসিনা মফম লৌথোকখ্রবা ভাইস প্রসিদেন্ট রিয়েক্ট মচারবু য়াবা লান্মীশিংগা হৌখিবা দিসেম্বর ১৫ দগী ওনশিন্নদুনা খুৎ থোক্লবা হৌরকখিবনি।

# সিরিয়াগী ইরাংগী মরমদা অহানবা ওইনা ৱারী শানবা হৌখ্রে



*মোন্ত্রু, জনুৱারী ২২ঃ* য়ু এন পিছ কনফরেন্স অমদা অহানবা ওইনা মিটিং শরুক য়ামিন্নখিবা সিরিয়াগী গভর্নমেন্ট অমদি ওপোজিসনগী মীহুৎশিং মিটিং মফমদা অকনবা ৱাহৈশিং ঙাংনখ্রে। অদুগা বাসর অল অসাদপু মফমদগী লৌথোক্লবগী মতাংদসু ৱার্ল্ড পৱারশিংনা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লরকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওপোজিসন লিদর অহবদ জারবারনা প্রসিদেন্ট অসাদপু ৱার ক্রাইমশিং চখে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা স্বিটজর্লেন্দদা পাঙথোকপা মিটিং অসিদা শক্তি থাদোক্লবগী মালেমগী ওইবা থৌরাং অমদা খুদক্তা সাইন তৌগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

সিরিয়ান ফোরেন মিনিষ্টর ৱালিট অল–মৌআলেমনদি মপান্দগী তকশিল্লকপা দিমান্দশিংদা অসাদনা চৎলোইদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুগা আরব অমদি নোংচুপ লৈবাকশিংনা শৌগৎলিবা লালহৌবশিংবু টেরোরিষ্টনি হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মতম অদুদা ওপোজিসন অমদি মসিবু শৌগৎপশিং মিটিং মফম অদুদা লৈখি। কনফরেন্স অসিগী কো–স্পোন্সরশিং ওইরিবা য়ু এস অমদি রসিয়ানা য়ু এন ওফিসিয়েলশিংসু য়াওনা লাক্লিবা ইরাইদগীদি জেনেভাদা য়ানবা অমা পুরক্লবা ৱারী হৌবা য়ারগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মোন্ত্রুগী মিটিং অদুদা অসাদপু মফম লৌথোকপা লৌথোক্তবগী মতাংদদি ৱাখল্লোন মান্নখিদ্রে। হৌজিক সিরিয়া খক্তা নত্তনা মসিগী ৱাংমদসু ইরাং শন্দোরক্লবা মরম ওইরবা সিরিয়া মনুংগী খুৎ থোক্লবা অসিদা মালেম পুম্বনা নুংনাংবা পোক্লরক্লিবা অসি মিটিং অদুদা চাউনা মমি তাখি। ইরাং অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৩০,০০০ রোম হেন্না শিখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কী ৱাংমদসু কাংলুপ নাইনদুনা হাৎন–শুনবগী ফিভম অমা শন্দোরকখ্রবনি হায়রি।

# খা আফ্রিকাদা তাংলবা ব্লু দাইমন্দ ফংলে



*প্রিটোরিয়া, জনুৱারী ২২ঃ* খা আফ্রিকাগী ক্যুলিনান মাইনদা থোইদোক্লা তাংলবা ব্লু দাইমন্দ অমা থেংনরে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

কেরেট ২৯.৬ কী মমল য়াম্বা নুঙ অসি পেত্রা দাইমন্সনা প্রিটোরিয়াদগী অৱাং–নোংপোক্তা কিলোমিটর ৪০ রোম চৎলগা লৈবা ক্যুলিনান মাইনদা থেংনরকপনি হায়না কম্পেনি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইং ২০১৩ দসু পেত্রানা কেরেট ২৫.৫ কী ব্লু দাইমন্দ অমা ফংদুনা মদুবু দোল্লর মিল্লিয়ন ১৬.৬ দা য়োনখি। খ্বাইদগী কোন্না ফঙলিবা দাইমন্দ অসিসু য়াম্না ৱাংবা মমলদা য়োন্নবা কম্পেনি অসিনা আশা তৌরি।

অমরোমদা ক্যুলিনান মাইন অসি ব্লু দাইমন্দ পুথোকপগীদমক মমিং চৎলিবনি।

কা হেন্না শেংবা অদুগা ময়েক শেংনা হিগোক মচু কাপ্পগীদমক দাইমন্দ মখল অসি মমল য়াম্বা নুঙ মরক্তা তোমথিন ওইবনি। মসিদগী মমল য়াম্বা অমসুং মগুন লৈবা পোলিস ষ্টোন ফংগনি থাজে হায়নসু পেত্রানা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা ফোঙদোকখি।

ক্যুলিনান মাইনদগী অচৌবা নুঙ চা কয়ামরুম ফংখ্রে। অদুগা খ্বাইদগী তাংবশিংগী মরক্তা অমুকসু অতাংবা ওইরিবা অদুগা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্বা দাইমন্দ মখল অমসু ওইরিবা ব্লু দাইমন্দগীদমক্তা ক্যুলিনান মাইন অসি ফাওরিবনি। পেত্রা দাইমন্সনা মাইন অসি ইং ২০০৮ দা একুয়ার তৌখিবনি হায়রি।

# মিলিটেন্ট লোৎফমশিংদা পাকিষ্টান ফোর্সনা নোংথক্তগী লান্দাখ্রে

*ইস্লামাবাদ, জনুৱারী ২২ঃ* পাকিষ্টানগী অৱাং থংবা ৱাজিরিষ্টানদা মিলিটেন্টশিং লোৎলমগনি চিংনবা মফমশিংদা হৌখিবা নিংথৌকাবগী অহিংদগী হৌনা পাকিষ্টান জেটশিং, হেল্লিকোপ্টরশিং য়াওনা লান্দাবদা হৌজিক ফাওবদা টেরোরিষ্ট ৪০ হাৎপা ঙম্লে হায়না মিলিটরিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

কনফার্ম তৌরবা ইন্টলিজেন্স পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমশিংদা নোংথক্তগী লান্দা অসি চত্থখিবনি হায়নসু পাউ অদুদা ফোঙদোকখি।

মিলিটেন্টশিং অদু পেসৱারদা থোকখিবা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবশিংনি হায়রি। হৌখিবা নোংমাইজিংদা বানুদা চত্থখিবা এটেক অদুদা নত্তনা কিসা খাৱানি বজারদসু টেরোরিষ্টশিংনা অকনবা এটেকশিং চত্থখিবনি।

পাউগী লিখুন অসিনা হায়বগী মতুংইন্না পাকিষ্টান ফোর্সনা চত্থবা এয়ার ষ্ট্রাইকশিংদা মিলিটেন্ট কয়ামরুমসু অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি লালহৌবশিংনা কারাচিদা চত্থরকখিবা এটেক পরিংশিং অমদি সিক্যুরিটিগী মীওই কয়ামরুম হাৎখিবা বানু কেন্টোনমেন্টতা চত্থরকখিবা বোম্বীং এটেকশিংনা মরম ওইদুনা মতম খরগী মমাংদগী গভর্নমেন্টনা তঙাইফদনা পাকিষ্টান টালিবানগী মায়োক্তা অকনবা লান্দা অমা চত্থবগী মথৌ তাবা লৈরকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক পাউগী লিখুনশিংনা হায়রিবদি এয়ারষ্ট্রাইকশিং অসিনা মীচম মীয়াম কয়ামরুমসু শোইদনা শিহল্লম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

পাকিষ্টান টেহরিক–ই–ইন্সাফনা হায়খিবদা, অসিগুম্বা ওপরেসন অসিনা নাকনদা হায়দোক্তুনা অশোকপা অশিবা থোকহল্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা মতম পুন্নমক্তা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং থংবা ৱাজরিষ্টান্দগী লাকপা পাউ অমনা মীওই কয়ামরুম লৈফম লৈত্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে। অঙাংশিংসু য়াওনা মীওই কয়ামরুমসু শিরন্নগনি হায়বগী খুদমসু লৈরে হায়রি।

করিগুম্বা মিলিটরি ওপরেসন অমা নত্রগা নোংথক্তগী বোম কাপথনবগী ৱারোল লৌরবদি মদুবু অয়াবা পীদ্রিঙৈদা মফমশিং অদুদগী মীচম মীয়ামশিং হোন্দোকপা হায়বদি গভর্নমেন্টনা তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমনি হায়নসু সিরিন মজারি পার্টিগী সেন্ত্রেল ইনর্ফোমেসন সেক্রেটরি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্টি পুন্নমক্কী মীফম অমনা গভর্নমেন্টতা টেহরিক–ই–টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) গা ৱারী শান্নদুনা য়ানবা অমা পুরক্লবা থৌদা শিন্নখিবনি। অদুবু থৌরাং অসিমদি হৌজিক ফাওবা মায় পাক্ত্রি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# নেপালদা অনৌবা গভর্নমেন্ট শেম্নবা থৌরাং হৌখ্রে

*কাঠমান্দু, জনুৱারী ২২ঃ* হিমালোয় চীংশাংগী লমদম অমা ওইরিবা নেপালদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা পুরক্লবা মতম কুইনদগী ঙাইনরক্লবা থৌরাং অমা মায় পাকপা য়াবগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা নৌনা শেম্বা কন্সটিট্যুসন অমবু য়েংনবা লৈতনা য়ানবা ঙম্নবা অহানবা মিটিং পাঙথোক্লবা শেম শারে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিদা মতম কুইনদগী সিভিল ৱার অমা লৈরক্তুনা খাইবুং কাইবুং তাদুনা লৈরকপনি। নৌনা মীখল পাঙথোক্তুনা শেম্লবা কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি অমা কাঠমান্দুদা মীখল মতুং থা অমরোমগী মতুংদা ফম্বা হৌগদৌরি। চৎখিবা চহিগী নভেম্বর ১৯ দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা নেপালি কংগ্রেসনা চাওনা মায় পাকখিবনি। অদুগা হৌজিকসু পার্টি অসিনা মথংগী গভর্নমেন্ট শেম্বা য়াবগী আশা লৈরি। নেপাল্লি কংগ্রেসকী মথংদা অনিশুবা ওইনা খ্বাইদগী চাওনা মায় পাকখিবা য়ুনিফাইদ মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্ট (য়ু এম এল) অনিগী কোলিসন গর্ভনমেন্ট অমা শেম্বা ঙম্বা থৌরাং তৌরি।




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU -132

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | | | 9 | | | | |
| 4 | 7 | | 2 | | | | | |
| | | | 7 | | 5 | | | 3 |
| | 6 | | | | | | | |
| 8 | | | | 1 | | | 9 | |
| | | | 3 | | | | | 7 |
| | | | 8 | | | | 2 | |
| 1 | | | 5 | | | 7 | | 8 |
| | | 9 | | | 6 | | | |

*Prepared by :* ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*